# উত্তর প্রদেশতা কা হেন্না ঈংবদগী নুমিৎ নীনিদা শিখিবা মীওই পূন্না ৯ শুখ্রে



লক্ষ্ণৌ, জানুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : কা হেন্না ঈংবদগী উত্তর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইরাই নুমিৎতগী শিখিবা মীগী মশীং পূন্না ৯ শুরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মেটিওরোলোজিকেল দিপার্ট-মেন্টনা জানুৱারী ১৯ ফাওবা কা হেন্না ঈংখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ষ্টেটকী কেপিটেল ওইরিবা লক্ষ্ণৌদা সেলসিয়স দিগ্রী ০.৪ য়ৌনা ঈংখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা হন্দক্কী চহীদা খ্বাইদগী ঈংবা ওইরি।

মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা কা হেন্না ঈংবদগী জানুৱারী ১৬ ফাওবা ক্লাস ৱানদগী ক্লাস আইট ফাওবা ছুটি থাদোকখি। কানপুর অমদি সুল্টানপুর দিষ্ট্রিক্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ১.৬ য়ৌনা ঈংখি। সাইবেরিয়ন রিজনদগী কুমগী অঙৈংবা নুংশিৎ শীৎলকপনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লকহল্লে হায়না মেটিওরোলোজিকেল ওফিসকী রিজনেল দিরেক্টর জে পি গুপ্তনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা লৈখিদ্রবা মীওই পুম্নমক কনোজ অমদি কানপুরদগী ঙাক্তনি হায়রি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদসু মাইনস ৬.৮ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখিবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ঈংবা নুমিৎ ওইখ্রে।

ৱেদর ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না জানুৱারী ১৫ অমসুং ১৬ তা নোং চুরকপগা লোয়ননা উন তারকপা য়াই হায়রি। লাক্কদৌরিবা পুং ১২গী মনুংদা নোং চুবগা লোয়ননা উন তারকপগী মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লকহনবা য়াই হায়না মেটিওরো-লোজিকেল ওফিসনা ফোঙদোকখি।

লদাখ রিজনগী কার্গিল টাউনদা ওসি মাইনস ১৫.৬ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি। গুলমার্গ অমসুং পহলগামদনা মথংশিংনা মাইনস ১৪.৪ অমদি মাইনস ১২ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি।

জম্মু সীটিদা সেলসিয়স দিগ্রী ৬, কাট্রাদা সেলসিয়স দিগ্রী ৪.৮, ভদরৱাদা মাইনস ৪.৫ দিগ্রী সেলসিয়স, বাটোলেদা ০.৫ দিগ্রী সেলসিয়স অমসুং বনিহালদা মাইনস ২.৮ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি।

মহৌশানা দিসেম্বর ২১ দগী জানুৱারী ৩০ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা কা হেন্না ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। হৌজিক-হৌজিকমকসু ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা পাৎ অমদি অতৈ ৱাটর বোদি পুম্নমক উন ওইনা ফমজিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, জানুৱারী ২১ ফাওবা লৈবাক্কী অৱাং অমদি ময়াই থংবা শরুক্তা কা হেন্না ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখিগনি হায়না ৱেদর দিপার্ট-মেন্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, লৈবাক্কী মফম অয়াম্বা জানুৱারী ২১ ফাওবদি কা হেন্না ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখিগনি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ২/৩গী মনুংদা পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, বিহার, মধ্য প্রদেশ অমদি ওরিষানচিংবা ষ্টেটশিংদা কা হেন্না ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মফমশিংগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাদাখ রিজন মনুং চন্না লৈবা লেহ য়াওরি হায়রি।

# য়ু পিগী মীখলদা কোংগ্রেসনা সমাজৱাদি পার্টিগা চৎমিন্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে





ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : উত্তর প্রদেশকী এসেম্বলি ইলেক্সনদা কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টি পূন্না চৎমিন্নরবা য়াই হায়না কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন অভিসেখ সিংভিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা সমাজৱাদি পার্টিগা চৎমিন্নবা নৎত্রগা চৎমিন্নদবগী মতাংদা চপ চানা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। অদুমওইনমক নোংমা-নীনিগী মনুংদা পার্টিগী চপ চাবা ফিরেপ অমা লাউথোক্লগনি।

পোলিটিকেলগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা ষ্টেট অমা ওইনা লৌনরিবা উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসনা এসেম্বলি সীট ৪০৩ মক্তা মীরেপ থাদোক্কনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা জন বেদনাগী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা হায়খিবনি মদুদি, উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্বলি মীখলদা মীয়াম্না থাজদবা মওংদা অহোংবা অমা শোয়দনা পুরক্লগনি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা সীট ৮০ দা মীরেপ থাগৎপগী মনুংদা অমেথি অমসুং রাইবরেলি খক্তদা মায় পাকপা ঙমখি। রাহুল গান্ধী অমসুং সোনিয়া গান্ধী নৎতনা কোংগ্রেসকী মীরেপ পুম্নমক মায়থীবা ফংখি। হন্দক্কী মতাং অসিদা কোংগ্রেসনা সমাজৱাদি পার্টিগা খুৎশম্নদুনা মীখল থেংনদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এবু মায়থীবা পীনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা গভর্ণ-মেন্ট পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টি মনুংদা মুলয়ম সিংহ যাদব অমদি চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবকী মরক্তা চাওনা মোত মান্নরক্তবদগী নাকপাক তানবগী ফীভমদা লাকখি। মপা-মচাগী মরক্তা পার্টিগী সিম্বোল মুন্নবদগী ইলেক্সন কম্মিসননা ৱায়েল চথরি।

নাকপাক তারবা সমাজৱাদি পার্টিগী কাঙলূপ অনীমক্না ফোঙদোরকপা ৱাফম মুন্না তারবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন (ঈ সী)না সাইকল য়েকপা পার্টিগী সিম্বোল শীজিন্নহনবগী মতাংদা পীগদবা ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রবনি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়খি, মুলায়ম সিংহ যাদবনা লুচিংবা কাঙবু অমসুং মহাক্কী মচানুপা অখিলেশ যাদবনা লুচিংবা কাঙবুগী ৱাফম মুন্না তারবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখিবনি।

কম্মিসনদা চথখিবা হিয়ারিংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা অখিলেশ যাদবনা হায়খিবনি মদুদি, লেজিসলেটর অয়াম্বনা মহাকপু শৌগৎপা মরম্না পার্টিগী সাইকল য়েকপা সিম্বোল মঙোন্দা শীজিন্নহনগদবনি।

অখিলেশকী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট কাপিল সিবালনা হায়খি মদুদি, সমাজৱাদি পার্টিগী এম পি, এম এল এ অমসুং এম এল সী অয়াম্বা অখিলেশ যাদবগী মায়কৈদা লৈরি। মরম অদুনা অখিলেশপু পার্টিগী অশেংবা প্রসিদেন্টনি হায়না লৌবগা লোয়ননা সাইকল য়েকপা সিম্বোল শীজিন্নবা য়াহনফম থোকই।

অমরোমদা, মুলায়মগী কাঙলূপনা হায়খি মদুদি, অখিলেশপু পার্টিগী প্রসিদেন্ট খনখিবা মীফম অদু সমাজৱাদি পার্টিগী কন্সটিট্যুসননা য়াদবা মওংদা পাঙথোকখিবনি। মরম অদুনা অখিলেশ যাদবপু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা শক খঙবা য়ারোই।

জানুৱারী ১৭ তা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা মীরেপ চে পীশিনবা হৌগদবা মরম্না ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱায়েল খৌরাংনা ঙাইনরি।

মমাঙ চহীদা পার্টি মচেৎ তাখ্রবা মতুংদা মুলায়ম অমসুং মহাক্কী মচানুপা অখিলেশনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎতুনা পার্টিগী সাইকল য়েকপা সিম্বোল শীজিন্নবা য়াহনবীয়ু হায়না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। চহী ২৫গী মমাঙদা লিংখৎখিবা পার্টি অসিগী অশেংবা লুচিংবা ওইনা শক খঙনবগী-দমক করম্বা মায়কৈদা পার্টিগী এম পি, এম এল এ অমসুং এম এল সী কয়ানা সপোর্ট তৌরিবগে হায়বদু ইলেক্সন কম্মিসননা কুপ্না য়েংশিনগদৌরি।

পনবা য়াবদি, ফেব্রুৱারী ১১ দা উত্তর প্রদেশকী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

মুলায়মনা লুচিংবা কাঙলূপ অমসুং অখিলেশনা লুচিংবা কাঙলূপকী মীওইশিংনা মতম অমুক্তদা চপ মান্ননা সাইকল য়েকপা পার্টিগী সিম্বোল শীজিন্নবা য়ারোইদবা লৈবনা অথুবা মতমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হীরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল অমা শোয়দনা পীরক্লগনি হায়না থাজনরি।

# হায় কোর্ট ২৪ দা জজ চাদা ৪৩.৬৫ ৱাৎলি, কেস লাখ ৪০.৫৪ পন্দুনা লৈরি





ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : অৱাংবা থাক্কী জুদিসিয়ারিগী জজ খনবগী মতাংদা ইকজিক্যুটিব অমসুং জুদিসিয়ারিগী মরক্তা চাওনা মুক্নবগী ফীভমদা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা হায় কোর্ট ২৪ দা কেস লাখ ৪০.৫৪ পন্দুনা লৈবগা লোয়ননা জজ চাদা ৪৪ রোম হাঙলি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা থাদোরকপা 'ইন্দিয়ন জুদিসিয়ারি এন্যুএল রিপোর্ট ২০১৫-২০১৬' না হায়খি মদুদি, তোঙান-তোঙানবা হায় কোর্টশিংদা জজ ১,০৭৯ লৈগদবদা শুপ্নগী জজ ৬০৮ না মথৌ তৌরি। চাউরাক্না অপূনবা জজ মশীংগী চাদা ৪৪ রোম হাঙলি।

মমাঙ চহীগী জুন ৩০ ফাওবদা হায় কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরিবা কেস লাখ ৪০.৫৪গী মনুংদা ২৯,৩১,৩৫২ দি সিভিল কেসনি অমসুং ১১,২৩,১৭৮ না ক্রিমিনেল কেসনি। চহী ১০ হেন্না পন্দুনা লৈরক্লবা কেস ৭,৪৩,১৯১ য়াওরি। হায় কোর্টশিংগী অৱাৎপা জজ হাপ্পগী মতাংদা দেমোক্রেসিগী মরুওইবা য়ুন্বীনি হায়নরিবা জুদিসিয়ারি অমসুং ইকজিক্যুটিবকী মরক্তা চাওনা মোত মান্নদবগী ফীভম অমা লৈরকখি।

অৱাৎপা জজ হাপ্তবনা মরম ওইরগা জুদিসিয়ারিগী থবক থৌরমদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে হায়না এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা জজ ১২৬ হাপখ্রে। হায় কোর্টশিংদা এদিসনেল জজ ১৩১ হাপ্পগী ৱাফমসু অয়াবা পীবা লৈখ্রে।

হায় কোর্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লিবদি অলাহবাদ হায় কোর্টনি। হায় কোর্ট অসিদা জজগী ফম তজ্বায় অমা হাঙদুনা লৈরিবা মরম্না কেস লাখ ৯.২৪ পন্দুনা লৈরি। অপূনবা জজ ১৫০ লৈগদবা হায় কোর্ট অসিদা হৌজিক শুপ্নগী জজ ৭৮ না মথৌ তৌরি। কেস খ্বাইদগী য়াম্না পন্দুনা লৈরিবা হায় কোর্টশিংগী মনুংদা মদ্রাস হায় কোর্টসু অমনি। কেস ৩,০২,৮৪৬ হায় কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরি। অপূনবা জজ মশীং ৭৫ লৈগদবদা শুপ্নগী ৩৮না মথৌ তৌরিবা মরম্না কেস কয়ামরুম পন্দুনা লৈবনি হায়রি। বোম্বে হায় কোর্টকী ওইনদি কেস ২,৯৮,২৬৩ পন্দুনা লৈরি। হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা ৫৩,৫১১ দি চহী ১০গী মমাঙদগী পন্দুনা লৈরকখিবনি। অপূনবা জজ মশীং ৯৪ লৈগদবা হায় কোর্ট অসিদা শুপ্নগী জজ ৬৪ না মথৌ তৌবা মরম্না কেস অয়াম্বা পন্দুনা লৈবনি হায়রি।

অপূনবা জজ ৫৩ লৈগদবদা শুপ্নগী ২৯ না মথৌ তৌরিবা পাটনা হায় কোর্টতা কেস ১,৩০,৬০৫ পন্দুনা লৈরি। ঝরখন্দ হায় কোর্টকী ওইনদি জজ ২৫ লৈগদবদা ১৪ না মথৌ তৌরি।

# এল জে পিগী লুচিংবা রাম বিলাস পাস্বান হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে

পাটনা, জানুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : নীংশা শ্বর হোনবা ৱারকপদগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমগী আই সী য়ুদা লায়কন্নদুনা লৈরকখিবা এল জে পিগী প্রসিদেন্ট রাম বিলাস পাস্বান দিসচার্জ তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা রাম বিলাস পাস্বানবু পারস ঐচ এম আর আই হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরকখিবনি। হোস্পিটাল অদুগী কার্দিওলোজি দিপার্টমেন্টকী মকোক ডা. প্রমোদ কুমারনা হায়খি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী হকচাং মপুং ফানা ফগৎলকপা মরম্না হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখিবনি।

মিনিষ্টরবু হোস্পিটালদগী হেক দিসচার্জ তৌরকপগা মহাক্কী মচানুপা চিরাক পাস্বাননা পোক্লফম লমদম শ্রী কৃষ্ণপুরীদা পুখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা নীংশা শ্বর হোনবা ঙম্লক্তবদগী মশাগী চহী ৭০ শুরবা পাস্বানবু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ঙরাং অয়ুক্তগী হৌনা এল জে পিগী লুচিংবা অসিগী ফীভম তপ্পা-তপ্পা ফগৎলকপগা লোয়ননা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারগা ৱারী শানখি।

পারস ঐচ এম আর আইগী দিরেক্টর ওফ মেদিকেল সার্ভিসেস ডা. টলট হালিমনা হায়খি মদুদি, মপুং ফানা হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্লবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর থোইদোক্না খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে।

পনবা য়াবদি, শগোলশেন নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাস্বাননা নুমিৎ ৪ নিগী খোঙচৎতা পাটনাদা থুংলখিবনি। জানুৱারী ১৫ দা পাটনাদা পাঙথোক্কদবা মকর সঙ্ক্রান্টিগী থৌরম য়াওগদবা মিনিষ্টরনা খগরিয়া, বেগুসরাই, মৌকামা অমদি পাটনাদা পোলিটিকেলগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখি।

পাস্বাননা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈদা বিহারগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা অনাবা হংবা লাকখি। চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমার, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম কৃপাল যাদব, বি জে পিগী সিনিয়র লীদর সুসিল কুমার মোদি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জিতন রাম মাঞ্জি অমদি অতৈ পোলিটিকেল লীদর কয়ানা হোস্পিটালদা লাক্তুনা পাস্বানগী অনাবা হংলখি। আর জে দিগী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদবসু মচানুপা অনী- টেজ প্রতাপ যাদব অমদি টেজাস্বি যাদবকা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী অনাবা হংলখি।

# পঞ্জাবতা সী পি আই (এম)গী মীরেপ ১২ লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : পঞ্জাবকী এসেম্বলি ইলেক্সনদা সী পি আই (এম)গী মীরেপ ওইগদবা মীওই ১২গী মিং লাউথোকখ্রে। মীখল অসিদা সী পি আই (এম)না সী পি আই অমদি রেভল্যুসনরি মার্ক্সিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (আর এম পি আই)নচিংবা অতৈ লেফ্ট পার্টিশিংগা পূন্না চৎমিন্নগদৌরি।

ফেব্রুৱারী ৪ দা শুপ্নগী তাঙ্কক অমখক্তা এসেম্বলি মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবতা অবতার সিংহ কির্তি, সুখদেব সিংহ গোখালৱার, বচিত্তর সিংহ টাগর, গুর দয়াল দাস বেন্স, হর্ভজন সিংহ অটৱাল অমদি পরমজিৎ সিংহ রোরিবু মথংশিংনা বটালা, টার্ন টরন, সাহকোট, অদামপুর, গরশঙ্কর অমদি বলাচোর এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা মীরেপ ওইরগনি হায়না সী পি আই (এম)গী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

মোহিন্দর সিংহ সঙ্গটপুর, মোটা সিংহ, বলজিৎ সিংহ, গোরসিয়ান, জর্নেল সিংহ জনাল অমদি রামেশ সিংহ অজাদনা মথংশিংনা অনন্দপুর সাহিব, রাইকোট, জাগরোন, সুনম অমদি সানোর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পঞ্জাবতা চহী ১০ রোম গভর্ণমেন্ট পায়বা ঙমদনা লাকখ্রবা কোংগ্রেসনা ইলেক্সনগী মেনিফেষ্টো ফোঙদুনা মীয়ামদা মখল কয়াগী খুদোংচাবা ফংহনগদবা ৱাফমশিং লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ফোঙখিবা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোগী মতুংইন্না লৌমীশিংগী লোন কোকপীবগা লোয়ননা লেম্না মৈ শীজিন্নহনবা, স্মার্ট ফোন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনবা অমসুং থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা খুদোংচাবা পীবগী ৱাফম য়াওরি।

হৌখিবা চহী ১০ রোম অকালি দল অমদি বি জে পিগী চুংশিন্নবা গভর্ণ-মেন্টনা চথুরকখিবা থৌওংশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মনমোহন সিংহনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙমহন্নবগীদমক কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহগুম্বা লুচিংবা অমবু চীফ মিনিষ্টর ওইহনবা মথৌ তাই। হৌখিবা চহী ১০ রোমগী মনুংদা শোকচিল্লুরবা পঞ্জাবকী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈহনবা মথৌ তাই।

কোংগ্রেসনা চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোক্লিবা কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অসিনা করিগুম্বা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইবা থোক্লবদি শোকচিল্লুরবা ষ্টেটকী শেল-থুমগী ফীভম অথুবা মতমদা ফগৎহনবা ঙম্বগা লোয়ননা থবক থিরিবা নহারোলশিং থবক ফংহনবা ঙমগনি।

কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা লৌমীশিংগী লোন কোকপীবগা লোয়ননা লেম্না মৈ শীজিন্নহনবগী ৱাফম য়াওরি। থা অমগী মনুংদা দ্রগ লল্লোনবগী থৌওং পুম্নমক থিংবা, থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা থা খুদিংগী লুপা ২,৫০০ ষ্টাইপেন্দ পীবা অমসুং নহারোল খুদিংমক্তা লেম্না স্মার্ট ফোন পীবগা লোয়ননা অঙাংশিংগী তম্নবা লাইরিক লেম্না ফংহনবগী ৱাফমসু কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা য়াওরম্মী।

ACME HR. SEC. SCHOOL, YAIRIPOK

Dated: 14/01/2017

APPOINTMENT

Applications are invited from deserving candidates for the following post.

| No. of Post | Edn. Qual. | Subject | Designation |
|---|---|---|---|
| 01 | M.Sc. | Maths. | Lecturer |

**Preference:** B.Ed. or 5 years teaching experience.

*Date of interview :* **21st Jan. 2017 (11 am sharp).**

Interested candidates may submit their relevent documents to the School office on or before 20th Jan. 2017 during office hours (10 am – 3 pm).


HL-B/3613/15

*Sd/-* **PRINCIPAL**

SCM
S.CHAOBA MEMORIAL BOARDING SCHOOL
SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)
NO DEPOSIT SYSTEM
NO LOADING CHARGES
ADMISSION OPEN
VAN SERVICE WANTED







Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders

| Annual Fee Structure | | | | | Monthly |
|---|---|---|---|---|---|
| Class | Admission | School Fee | Caution Money | Total(1 year) | Mess Fee |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | 400x12=4800 | 500 | 6900 | 2700 |
| Class III - Class V | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 2900 |
| Class VI - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 3000 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | 600x12=7200 | 500 | 10900 | 3100 |

Fee Structure for Day-scholars

| Dayschool students | Annual Fee Structure | | Monthly |
|---|---|---|---|
| Class | Admission | Other Expenses | Total |
| Pre-Nursery | FREE | 500(games+exam) | 400 |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | NA | 400 |
| Class III - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | NA | 500 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | NA | 600 |

Facilities :
1. Free washing clothes for all classes
2. Medical care for all students by two specialist doctors from founder's family 24X7
3. Free monthly school tuition fee for one out of three students of same parents.
4. Half school tuition fee for one out of two students of the same parents.
5. Facility for YOGA,Thang-ta classes at the school campus.
6. Free tution fee of class IX & X talented students scoring 80% marks.
7. Scholarship for first position holders of every classes.
8. One boarding master for every 25(Twenty five) students with strict discipline.
9. Founder and Boarders take meal on the same dinning table and available aqua fresh water.

HL-B/3548/21/12-20/01

RM SCHOOL
HEINOUKHONGNEMBI
Under the Aegis of
RM BOARDING since 2001
KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI, NEAR EDHOU NONGSABA
ADMISSION OPEN
PRE-NURSERY TO CLASS-VII



Nongmaithem Devita Devi
D/o N. Zelind Singh
Uripok Takhellambam Leikai, Manipur

First Come First Serve for Pre-Nursery & Nursery

ADMISSION OPEN FOR BOARDING (BOYS)
Class: II - VII

মমা-মপানা RM School গী মরমদা করি হায়রি ....

RM School is just like a clinic for students to extract their hidden talent. অঙাংশিংবু মখোঙ শেংনা তাকপীবা, ক্লাস অমদা ছাত্র ৩৫ খক্তং থম্বীবসে য়াম্না নুংঙাই। ছাত্রশিংসে হরাও হরাও স্কুল চৎনিংহল্লী, Syllabus & Curiculumn অসি St. Johseph অমদি Little Flower গা মান্নহনবসি য়াম্না নুংঙাই। Medical, IIT গী Formate হাপ্পীবসি য়াম্না ফৈ।

Bring your child for IQ Test

The Best Upcoming School in Manipur

HL-B/3576/13

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 22 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc ( Phy, Che, Bio, Maths, Eng, )
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
Class Timing : Morning : 7:00 am to 9:00 am
Evening : 4:30 pm to 7:30 pm
Please Contact: Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 9615385953 / 8731833072

HL-B/3564/23/12-22/01

লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3587/03/01-02/02